# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেনাপতি জিলাদগী পাউমাই নাগা অনি ফু-চৈখিবগী থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পিগী মীওই অমা পুলিসনা ফারে হায়রি।

২) নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা চহিগী ওইবা ঙাগী মেলা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হপ্তা কাংজেবুংদা ঙসি পাঙথোক্লগনি।

অমসুং

৩) ভারত লান্মী অমসুং চাইনিজ ক্রুপশিং নোংপোক থংবা লদাখ রিজনদা লৈরিবা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোলদা নৌনা পেট্রোল্লিং চৎপা হৌরে।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা সেনাপতি জিলাদগী পাউমাই নাগা অনি ফু-চৈখিবগী থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পিগী মীওই অমা পুলিসনা ফাবা ঙমলে হায়রি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- কে.সি.পিগী মীওই অদু ঙরাং ফাখিবনি। মহাক হৌজিক শগোলশেন নুমিৎতা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অকুপ্পা লংলা লংজিল খঙবা ঙমবা মচিন হংবগী থবক চথুরি।

পনবা য়াবদি, পাউমাই নাগা নুপা অনি তম্পাক্কী জগা অমদা তমথিনা ফুরবা মতং অয়াওবা শেল মুল্লগা থাদোরকখিবগী থৌওং অদুবু নাগা পিপল ওর্গনাইজেসন, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন অমসুং সেনাপতি

দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন এসোসিয়েসন য়াওনা নাগা ওর্গনাইজেসনশিংনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখিবনি। মসিগা লোয়ননা পুং ৪৮ গী মনুংদা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং সরকারনা ফাগৎতুনা থবক লৌখৎত্রবদি অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না ফোংদোকখিবা লৈখ্রবনি।

নাকল অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা পামদবা থৌদোকশিং থোকপা থিংনবা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা পাক শন্না থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথরি। মসিগা লোয়ননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চ্যেক পোইন্ট ৯৯ লোম হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা চিংনবা মীওই ৭ দিটেন তৌখি।

অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে-৩৭ অমসুং নেসনেল হাইৱে-টুদা মাল পুবা গাড়ি পুন্না ৪১৯ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখি।

মেলা (এল)ঃ হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা চহিগী ওইবা ঙাগী মেলা অমসুং ঙাগী পোত্থোক চাংদমবগী থৌরম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি। মেলা অসি রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা অমসুং ফিসরিজ মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গো সিংহনা হৌদোক্কনি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ফিসরিজনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবা ঙাগী মেলা অসিদা ঙাতোন, পেংবা-খাবক, শরেং, পোরোম, তুংহনবী য়াওনা অতৈ ঙা মখল কয়ামরুম পুথোক্কনি। ঙা মখলশিং অসিগী অককবা মমলসু সরকারনা লেপলে।

মেলা অসিদা খ্বাইদগী ঙা য়ামা পুথোকপা মীওইদা অহানবা মনা ওইনা লুপা লাখ অমা, অনিশুবদা লুপা লিশিং ৭০ অমসুং অহুমশুবদা লুপা লিশিং ৫০ পীগনি। লোয়ননা লমদম অসিগী ওইবা ঙা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা মীওইদসু মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎকনি হায়রি। মেলা অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী ঙাশিং পুথোকপগী মথক্তা মনা-মশিং অমদি মহৈ মরোংগী পোত্থোকশিংসু

উৎকনি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা শাজবা খুৎ-শা হৈবগী পোৎলমশিংসু উৎকনি।

এআর (এল)ঃ হু চেনবা চেঙ্গুম চারুবা উখ্রুল জিলাগী নুংশং ভিলেজদগী মীওই অনি অসাম রাইফলসনা কনবা ঙমখ্রে। অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মীওই অনি অদু হু চেনবা চেঙ্গুম চারুবদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা পুখৎলকখি। অসাম রাইফলসকী ডোক্তরশিংনা হিদাক লাংথক পীদুনা লায়েং চথখি। মখোয়গী ফিভম খরা ফগৎলক্লবা মতুংদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা অমুক পুখৎতুনা মখা তানা লায়েং চথখি হায়রি।

অসাম রাইফলসনা মিলিটেন্টশিংগা খুৎ থোকবদা লৈখিদ্রবা থৌনা ফরবা জৱানশিংগী মফম লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে। চেরোল অমদা অসাম রাইফলসনা হায়- ১৯৬৬ কী ওক্তোবর ৩১ দা মিজোরমগী খৌবুংদা এম.এন.এফকী ইন্সরজেন্টশিংনা লান্দারকপদা অসাম রাইফলসকী জৱান ৬ লৈখিদে। অদুগা ইং ২০০৭ কী হায়রিবা নুমিৎ অসিমক্তদসু মণিপুরগী উখ্রুল জিলাদা লালহৌবশিংনা এম্বুস তৌরকপদা জৱান অহুম লৈখিদে। মখোয়বু ইকায় খুমবা উৎতুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

পেট্রোল্লিং ঃ ভারত লান্মী অমসুং চাইনিজ ক্রুপশিং নোংপোক থংবা লদাখ রিজনদা লৈরিবা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোলদা নৌনা পেট্রোল্লিং চৎপা হৌরে।

ইং ২০২০ গী এপ্রিল থাদা ভারত লান্মী অমসুং চাহনিজ আর্মি অনিগী মরক্তা খুৎ থোকখ্রবা মতুং চহি ৪ মখায়রোম দেমচোক এরিয়াদা পেট্রোল্লিং চৎলুদ্রবা মতুংদা নৌনা মফম অদুদা পেট্রোল্লিং চৎপা হৌবনি হায়রি। লৈবাক অনিনা হৌখিবা থাদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা অমুক হন্না পেট্রোল্লিং চৎননবগী য়ান্নবা অসি লাকখিবনি। দিৱালি নুমিৎতা ভারত অমসুং চাইনিজ আর্মি অনিগী

মরক্তা অথুম অহাও লান্নদুনা চামিন্নখি। চিংনানিঙাই ওইবা মফমশিংদা পেট্রোল্লিং চৎত্রিঙৈ মমাংদা লৈবাক অনিনা হান্না পাউ ফাওনবগী ৰাফম য়ান্নখি।

কম্মন সার্ভিস ঃ  লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী লমদা দিজিতেলগী লমদা শোথরিবা অসি কোকহন্নবা সরকারনা উত্তর প্রদেশকী গেরাখপুর অমসুং পিল্লিভিৎতগী হৌদুনা দিজিতেল ইন্দিয়া কম্মন সার্ভিস সেন্তর প্রোজেক্ট হৌদোকবা শেম শারে।

ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়না হায়- থৌরাং অসিগী মখাদা লৈবাক অসিদা পুন্না সেন্তর লিশিং ৪,৭৪০ হাংদোক্কনি। অহৌবগী ওইনা প্রোজেক্ট অসিগীদম থা ৬ কী ওইনা লুপা কোতি ৩১ হেনবগী শেনফম কাইথোক্কনি। মসি থা ৯ ফাওবা শাংদোরক্লবা য়াই।

হরিয়ানা ঃ  হরিয়ানা পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা শাশিন্নবা কম্পনিশিং হাংদোক্লুনা মপান লৈবাক্তা আইন্না য়াদবা মওংদা শেল থাদোকপদা চেন্নবা গেং খুৎপু অমা ফারে। থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই ৭ ফাবগা লোয়ননা মখোয়গী মনুংদা মীওই ৫ গী মথক্তা কোর্টতা চার্জসিট থাগৎখ্রে। পুলিসকী পাউনা হায়- হায়রিবা মীওইশিং অসিনা লুপা কোতি ৭০০ লোম আইন্না য়াদবা মওংদা লৈবাক্কী কম্পনিশিংদা থাদোক্লম্বা থেংনখি। হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মীওই অহুমদি দিল্লিদগীনি, অতৈনা দেহরাদুন, জাজর, সোনিপৎ অমসুং ফরিদবাদতগীনি হায়রি।

মীখল ঃ  ঝারখন্দ বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে লৌথোকপগী মতম ঙরাং লোইখ্রে। মীরেপচে ৬৩৪ পীশিল্লকখিবগী মনুংদা ঙরাং অরোইবা নুমিৎতা পুন্না মীরেপচে ৩২ লৌথোকখি। হৌজিক মীরেপ ৫২৮ না মীখল অসিদা লম্বা তৌনরগনি। থা অসিগী ২০ দা পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৩৮ দা ভোৎ থাদনগনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎনা থা অসিগী ১৩ দা বিধান সভা কেন্দ্র ৪৩ দা ভোৎ থাদনগনি। থা অসিগী ২৩ দা ভোৎ মশিং থীগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরদা ঙরাং ৭৬ শুবা ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স ডে পাঙথোকখিবা, থৌরমদুদা আই.পি.আর মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম, চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা অহানবা ওইনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

ভেরিফাইদ তৌদবা পাউ ফোংবনা তুংদা অচৌবা ৱাথোক ওইহল্লি। হৌজিক ওইরিবা ফিভমসিদা অশেংবা অচুম্বা পাউ খক্তমক ফোংবীয়ু হায়না আই.পি.আর মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না ঙরাং পাঙথোকখিবা ৭৬ শুবা ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স ডে নুমিৎতা ফোংদোকখিবা ৱাফমা মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সনালৈবাক্তনা- ৭৬ শুবা ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স ডে পাঙথোকখ্রে, ইরাং মরক্তা পাউমীশিংনা লৌরিবা থৌদাং মিনিষ্টর রঞ্জন্না থাগৎখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, শঙাই এক্সপ্রেসনচিংবা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা অহানবা ওইনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, চীংমী তম্মীগী মরক্তা লৈরকপা নুংশিনবগী মরী অমুক হন্না শাগৎপা ঙল্লগনি হায়না এম.এল.এ রাম মুইভানা ফোংদোকখিবা ৱাফমা ঈচেল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- সি.এম. বিরেন্না কাংপোকপী ফাওদুনা চৎপা য়ারোই হায়না কোতুনা ফোংদোরকপা ৱাফম হকচিন্না লৌই: য়ু.এন.সি হায়বা পাউ অসিনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- উখ্রুলদা ঙমখৈ শন্বলগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু ফোংলি।

মণিপুরগী দ্রাফট য়ুনিফাইদ বিল্ডিং বাই লো ফোংখ্রে, প্লোত এরিয়াগী মতুংইন্না বিল্ডিংগী অৱাংবা লেপবা ৱাফম য়াওরি হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন পাউ ওইরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরগী লান, মীতৈ-নাগা-কুকি এম.এল.এশিং ওফিসিয়েল অমদি অনওফিসিয়েল ওইনা ৱারী শান্নবা লেপত্রি হায়না এম.এল.এ- জাংহেমলুং পানমৈনা ফোংদোকখিবা ৱাফমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা- তম্পাক্তুগী চীংদনা হেন্না চাওখৎ থৌরাংগী ফন্দ থাদৈ হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- রাজ্যপালনা সেনাপতি জিলাদা চৎতুনা মফমদুদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- নিংঙোল চাক্কৌবা মমাংদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা চিকা চাইনবা ঙমদনা মীয়ামা পোৎ লৈনেরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- য়ু.এন.সিনা নাগাশিং ফুরকপা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে, নাগাশিংদা মীওৎ মীনৈ চত্থদনবা আপীল তৌরক্লি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিউমেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- অহানবা ওইনা পানমৈ শাগৈগী গেট-ট্গেদরগী থৌরম ইম্ফালগী তরুং ভিলেদা পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- রাজ্যপাল লক্ষ্মণ প্রসাদ অচারিয়ানা সেনাপতিদা পিছ থ্রু কলচর এন্দ আইদেন্তিতিগী থৌরমদা শরুক য়াখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------